ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯰꯳, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯱꯹ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, নবেম্বর ০৩, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২১৯শুবা মশীং

# ইরং থোং তেকখিবা

## নেসনল হায়ৱেগী লম্বী-থোং নীংথিজনা ফরে হায়বা করম্বা মতমদা হায়হনগদৌরি

খুন্নাই অমা চাউখৎহনবদা খ্বাইদগী মরুওইরিবা মচাকশিংগী মনুংদা লম্বী-থোং হায়বসিসু অমনি। লম্বী-থোং ফনা থম্বা হায়বসি লৈঙাক্কী তৌফদ্রবা থৌদাংনি। লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা শম্নহল্লিবা নেসনল হায়ৱে-২ ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী অমসুং নেসনল হায়ৱে নম্বর-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অসি মণিপুরগী লাইফ লাইননি হায়জরবসু হায়ৱে অনী অসিদা লৈরিবা লম্বী-থোংগী ফীভমদি নীংথিজনা ফরে হায়বা তাঙ্কক অমত্তা য়াওখিদ্রি। মণিপুরনা ইন্দিয়াগী মপুং ফাবা ষ্টেট অমা ওইখিবা চহী ৪৮ মপুং ফাখ্রবসু মেনলেন্দ ইন্দিয়াগা শম্নরিবা ষ্টেট অসিগী নেসনল হায়ৱেগী শরুকশিং নীংথিজনা শেম্বীবগী খুদম ফংদে। মমাঙথক্তা ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ীশিং নীংথিনা চৎনরম্বা অদু খুৎলায় পায়বশিংনা শেনখায়-থুমখায়গী থবক লেপ্পা লৈতনা চখ্রকপগা লোয়ননা মখল-মখা কয়াগী অপনবা পীরকপদগী হৌখিবা চহী ১০ রোম অসিদা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ীশিং মপুং ওইনা চৎপা হৌরকখিবনি। নেসনল হায়ৱে নম্বর-৩৭ তা পোৎ পুবা গাড়ীশিং নীংথিনা চৎপা হৌরকপদগী হায়ৱে অসিদা লৈরিবা লম্বী-থোংগী ফীভম শেমজিনবীননবা চহী ১০ রোম অসি মীয়াম্না লাউদুনা লাক্লবনি। মতম অমদা লম্বী অসি শেমজিনবগী থবক বি আর ওনা তৌরিঙৈদসু মীয়াম্না পেন্নবা হায়বদু ওইখিদে। হৌজিক অমুক লম্বী অসি শেমজিনবগী থবক এন ঐচ আই দি সী এলনা পায়রবসু পেন্নিংঙাইদি ওইদে। রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরিবা নিতিন গদকারি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নেসনল হায়ৱে ৩৭ অসি ৱর্ল্ড ক্লাসকী থাক্তা শেমগৎলগনি হায়নসু মমাঙথক্তা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। হৌজিক লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক অসিনসু নেসনল হায়ৱে অসি নীংথিজনা শেম্বা হৌরে হায়না কয়ারক হন্না ফোঙদোকখ্রবনি। অদুবু লম্বী অসিদা লৈরিবা মরুওইবা থোংশিংদি ঙসি ফাওবা মতমগা চুনবা মওংদা শাবা ঙমদনা লৈরি।

নেসনল হায়ৱে নম্বর-৩৭তা লৈবা ইরং থোং নবেম্বর ১গী অয়ুক পুং ৭ লোম তারকপদা তেকখিবদগী ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী ফাওনদ্রে। থোং তেকপা অসিদা ট্রক অমসু তুরেলদা তাশিনখিবগা লোয়ননা ট্রক অদুগী দ্রাইভর হৌজিক ফাওবা থিবা ফংদনা লৈরি। হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদসু থোং অসিগী মখাদা ফাবা য়োৎশিং তৎপা অমদি উপাক কয়া কায়বদগী গাড়ীশিং লান্থোক-লানশিন য়াদবগী থৌদোকসু থোকখ্রবনি। ঙাইহাক লৈতনা থোং অসি য়াদবগী থৌদোক কয়া থোকখ্রবসু ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইনা য়ানবা শেমজিনবা অদুগা তুং কোয়না চৎকদবা মওংদা থোং অসি শেমজিনবগী থবক্তি অমত্তা পায়খৎতবনা খুদোংথিবা ফীভম অসি থোকহল্লকপনি হায়বদা অরানবা ওইরোই। থোং তৎখিবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহল্লক্লিবা অসিগী মথক্তা দ্রাইভর অমগী পুন্সিগী তংদাংবা অমা খঙবা ঙমদনা লৈরিবা অসিসু তরাইনা লৌফমদি থোক্তে। মতাং মতম চানা থোং অসি মতমগা চুনবা মওংদা শেমজিল্লবদি ঙাইহাক লৈতনা খুদোংচাদবা থোক্লিবা অসি ইরায় লায়না কোকহনবা ঙমগনি। লৈঙাক্নবু অখন্নবা মীৎয়েং থম্লগা শেমগে য়াওনা শেন্নবদি থা ৬কী মনুংদা মতমগা চুনবা আর সী সী ব্রিজ অমা শাবা ঙমগনি। অদুবু মতৌসিমক্তি তৌবগী মমি তাদে। মতম পুম্বদা চীনগা খুৎকা মান্নহন্নিংই। মীয়াম্না মণিপুরদা লৈরিবা নেসনল হায়ৱেশিংগী লম্বী-থোং নীংথিজনা ফরে হায়বা করম্বা মতমদা লৈঙাকনা হায়হনগদৌরি।

## ◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

### নাগামপালদগী খোয়াথোং ফাওবগী লম্বী ওস্থোকপা ফীভম অমদা লৈরে

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

থা কয়াগী মমাংদগী ইম্ফাল মনুংগী নাগামপালদগী খোয়াথোং তম্না চৎলিবা লম্বী অসি কোমকুৎ কয়া লৈদুনা চৎথোক-চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নদুনা লাকখিবনি। সীটি মনুংদা লৈরিবা য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা লম্বী অসি নুমীৎ খরনী অসিগী মনুংদা লেপ্পা লৈতনা নোংচুরকপনা লম্বী অসি অমুক্কা হেন্না ফৎচিল্লক্তবনা মরম ওইদুনা লম্বী অসিদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্নবগা লোয়ননা খুদোংথীবা থৌদোক কয়া থোরক্কদ্রা হায়বগী চিংনবসু লৈরে। মরম অদুনা লৈঙাক্না অমদি মরী লৈনবশিংনা লম্বী অসি অথুবা মতমদা শেমজিনবিনবা খঙহনজরি। ইম্ফাল ময়োলগী মনুংদসু লৈরিবা লম্বী অসি তশেংনা ফত্রে হায়বসি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনসু খঙবিরমগনি। অদুবু লম্বী অসিগী ওইরিবা ফীভম অসিবু য়েংশিনবিদুনা মরী লৈনবশিংদা লম্বী শেম্নবগী থবক-থৌরম পায়খৎহল্লক্তবা অসি অঙকপা অমদি ফাওই। লোয়ননা লম্বী অসিগী নাক য়েৎতা লৈরিবা অমোৎ-অকায়শিং মতম চানা শেংদোকপীবা হায়বসু ওইদে। পীকখ্রবা লম্বী অসিদা লম্বীগী নাক-য়েৎতা খামজিল্লিবা মখোঙ মরী পানবা গাড়িশিং অসিসু মফম চানা পার্ক তৌহনবগী থবকসু পায়খৎপা তৌদে। নোংম-নোংমগী মী চিনবগী চাংদি অসুম হেনগৎলক্লি। অসিগুম্বা ফীভম অমদা অসুমক লৈরগদি লম্বী অসিদা অচৌবা এক্সিদেন্ট থোক্লক্তুনা মীশি-মীনা ফাওবা শোয়দনা য়াওরল্লগনি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা মরী লৈনবশিংনা লম্বী অসি শেমজিনবিবগা লোয়ননা নাক-য়েৎতা খাল্লিবা গাড়িশিং মফম চাবা অমদা পার্ক তৌনবা শীনবিয়ু হায়জরি।

*অদোমগী - লাইশ্রম রোবিন্দ্রো*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫

১) “কালোভ্রমর” হায়বা মণিপুরীদা হন্দোকপা দিটেক্টিব নোভেল অসি মীয়াম্না পাম্নখিবা মমিং চৎপা লাইরিকনি। লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু করি লোলদা কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

২) করম্বা চহীদা মণিপুরীবু কলকত্তা য়ুনিভর্সিটিগী মেত্রিকুলেসন পরিক্ষাগীদমক রিকগনিসন পীখিবগে?

৩) “ঐ ইশাগী য়ূমদা ইশাগী ইঙ্খোলদা/লৈরি য়ূমতাংবা অমগুম/ইরোল-ইরী ফাওনদবা/অতোপ্পা গ্রহ অমদগী লাক্লগা থুংলবগুম/ইমা ইচা শকখঙনদনা/মীৎনা উনা উনা মরীসে/শকউদবা পল অমনা ৱাংনা খাগৎলি/কৌন ঙাঙনবা তানদনা।” শৈরেং মতেক অসি নহা ওইনা মীয়াম্না শকখঙনরবী অইবী অমগী শৈরেংদগীনি। অইবীসি কনানো, করি লাইরিক্তগী করম্বা শৈরেংদগীনো?

৪) মণিপুরীদা ইথোক্লবা “পরিক্ষিত” হায়বা লাইরিক্তুদা পরিক্ষিত নিংথৌদা শাপ তৌখিবা মুণি অদু কনানো অদুগা পরিক্ষিত নিংথৌদা চিকখিবা লিলদু কনানো?

৫) মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী যামিনি সুণ্ডর গুহ গোল্ড মেদল ফংখিবা য়েংখোম বিহারীনা ইবা লাইরিক্তু মমিং করি কৌবগে অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ৰুহান্দগী, চাইনাদগী ঐখোয় থোঙ্গাল লানশিল্লকপা

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬২৪**

**জিতেন নামৈরাকপম**



হৌজিক্কালগী মীয়াম্না কন্না কিনরিবা, মালেম পূম্বগী ওইনসু মীওই লাখ কয়া হাৎপীখ্রবা মহীক্তুগী হৌরকফম চাইনাগী ৰুহান হায়ব্রা মদুবু ইম্ফালদগী কয়া য়াম্না লাপ্পজাৎনো? খূবামনুংদা পায়রিবা স্মার্ট ফোনদগী গুগলগী মতেং লৌদুনা কীৎ নম্লুরবদি শৎ লাওনা পাইথোরক্কনি। কিলোমিটর লিশীং অসুক লাপ্পী হায়না। ফনা য়াম্নবুদি লাপ্পলমগনি ঐখোয়গী সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী মনুংদা লৈমিন্নরগসু। মখোয়গী ৰুহান হায়বা মফম অদু শা-ঙা, চাহৈবা-চাহৈদবা জীব কয়াসু কল্লগা শেম শাদুনা য়োল্লি হায়। মালেমগী মনুংদা মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বসু চাইনানি। মফমদুদা খুন্দা লৈতারিবা মীয়ামদুনা চানবা শা-ঙা ময়াম য়োন্নবা ককথরকপদা, হাৎথরকপদা ওখাক হেক য়াম্লমগনি। মদুগী পাক চাউখ্রবা মার্কেট, কৈথেলদু ফনা য়াম্না শেংদোক খোত্তোকপা তৌরগসু অপূম অশা, মনম-মহাদি অদুম কোক্তনা শুরু-শুরু নৈশিন্দুনা অদুম লৈবা অদুদগী ওল্লকপা শাথীখ্রবা মহীক অদু বোম টোপ্পা কাপখায়দুনা হাৎতোকপসু ঙমদবা কোরোনাভাইরস মক্তা ওল্লকখিবনি কায়দনা হায়নবসু য়াওরি।

মসিবু তৌহৈরিবা থবক্লা? মালেমগী মফম খুদিংমক্তা ৱর্ল্ড ৱারগী মওংদা মচা কায়নবগী, মমা-মপা কায়নবগী, মচিন-মনাও, মচে-মচল, মখুরা-মতোন... নুংশি-নুংশিখ্রবা ইমুং-মনুংগী, শাগৈ-নাতৈ, মরী-মতা কয়া-কয়া কায়নবগী মীকপ মীরাওখোলতনা নিল্লে। য়ু এসনা মাঙজিল থাদুনা ওলিম্পিক গেমসকী মেদল টেল্লিদা মকোক থোংদুনা লৈরি। হরাউ তয়াম্বগী অঙাংবগা, অঙৌবগা ফৈনা-ফৈনা চিংবা অদুগা হীগোক মচুগী কাখলদা ষ্টার ৫০ নম্বা অমেরিকাগী ফিরাল পায়রগা ষ্টেদিয়ম শিনবা থুংনা হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোকপগী টেল্লি নত্তে। কপ্পগী টেল্লিনি। অদুই ৱাদি অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প ফাওবদা লাইচৎসিগী শরুক থুংখিবদুনি। নেগেটিভ তারকপা, ফগৎলকখিবা কুইদ্রি। মখা তারকপদা ভোটকী পংলাংদা অমুক লাংনরি।

ঐখোয় শ্বাইদসু তৌনরিসিনি। নহান কুট ফেষ্টিভেল পাঙথোকখিদ্রবগী নোংঙাল্লকপা নবেম্বরগী তারিখ ২ ফাওবগী মনুংদা লাইচৎসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবা মীশিং চাম্মগা হুম্ফুতরাহুমদোই শিখ্রবগী মথক্তা পোজিটিভ ওইখিবা কেস মশীং ১৮,৭৫০ শুগেখ্র। হয়েং হংচিৎতা ঙাইরে ২০,০০০ শুরক্কদবা, মথং মথং লানখৎলক্তুনা লাখকা য়ৌরক্কদৌরিবনি য়েংবীয়ু! য়েংবগী ৱাদসু নত্তে অদোম অদোমসু অদুগা ইজরিবা ঐহাক ইশামকসু ইকুই কুইদনা শরুক থুংবরোমদা কোরোনা মহাক্কী খোঙচৎ অসিসু অসুম অসুম নকশিল্লক্লি। হঞ্জিন-হঞ্জিন ইজখ্রে। অফাও-অফাওবা বিজ্ঞানিক অদুক য়াম্বা লৈরিবদুবু কৈদৌরগে লায়েংবা ঙম্বা অমত্তংদি থোকপীরকউ, লায়েংবা ঙম্বা হীদাক্তু অমুক্তংদি পুথোকপীরকউ। মালেম পূম্বদা সনাগী মেদলদি থম্বু থমখো মালেম শেগাক কায়না সনাগী ময়েক্না ইগদবদগী কনা অমত্তনা ফংবা ঙমদ্রিবা মনা পীগদবগী ঙাইদুনা লৈনরবনি। কয়াদনো য়েংবীয়ু! পিকখ্রবা মণিপুরদা নুংতিগী ২০০/৩০০/৪০০ হেন্না নাবা য়াওখৎলকপসিনা পোপ্যুলেসনগা রেসিও য়েংনরুবদা শুপ্নতগী মীশিং লাখ ৩০ রোম লৈবা লমদমসিনা ক্রোর-ক্রোরনা খুজিং ওইরগা পোপ্যুলেসন তাবা ষ্টেটশিং মকোক থোংনা লৈখ্রে। সিদবু করম হায়না পাখত্তবা ঙমদোইনো?

নাকল অমরোমদা অমুকসু য়েংসিনে। লাইনাও তীলনাও মরকসিদা দিষ্ট্রিক্ট ৪দা পাঙথোক্কদবা তারিখ ৭কী বাই ইলেক্সনগী লাংখৎনরক্তুনা অমুক্তোইবা মতোন লোম্লে। ঙাঙনরিবা, হুন্নরিবা, মুক্নরিবা সোসল মীদিয়াদা করিদা মীয়ামদা লাউথোক্তবা, ফোঙদোক্তবদি য়াদে হায়ববু তানীংদবনা-তানীংদবনা নাকোং অনী অসি হৌজিক্কালগী নখোয়গী নাকোং মরী অনীদু মেনশিল্লগা মখোল হৌরপ লৈখৎলগা ওল্লগা, য়ুংলগা লৈনীংই। শুক্তা হেক তানীংদে। খদ্রক্কা, মদ্রক্কা ওইদবা ঙাঙবগী কম্পিটিসন তৌনরি। মীটিংলা, মীতিনলা এস ও পি ঙাকপা কায়ে না-গা না-গা লৌশিন্নরগা, লেংজুমগা থেঙ্গাইনরদনা পুল্লিবা মীয়ামদু লোয়া শেলগা য়েল্লমগত্রা খঙদেকো ওস্থোক্লা তঞ্জপ্লে সৈতা! ঐ ওইরদি মীটিং ফাটিং ভোটখোম মীয়াম পূনফমদা থোরক্তুনা শুকয়াও হেক য়াওজরোইকো। মীয়াম্মা অসুক য়াম্না ৱানরবা মতম অসিদা।

ৱাবদগী ৱাবহায়বু কৈনো ইরুবগী কান্নবা লৈতে। মীয়াম্না হেন্না খঙবীরবনি। মপান থোক্নদবগী ফোঙদোক্নদবগী ৱানি য়াইফরে-নুংঙাইরে হায়নবা অরং-অরাক্কী ইম্ফাল এরিয়াসিদা কলেজা হায়রেদনা শৌগ্রী থোংবদা মচু থাকপা, য়েন্নখাদা খূৎ-শা হাম্বা থোক্লগা য়ূমথংনবা তানবা ‘ওস্থোক্লা হাওখ্রেদা ঙসিগী ঙা থোংবসিদি’ হায়রগা মচিন পুরুক-পুরুক তেংই হায়নরিবনি। অদুগা অমুক্কসু অসুক য়াম্না চৈনা খাঙনরবা মতম অসিদা কদায়দগীনো অমুক লেপ্তুবা নোংনা মচিৎ মচিৎ অহিং খাক্তনা লেপ্তুনা হৈথরক্লি। ফৌ লোক্কে খঞ্জদুনা খাউদৎলুবা ফৌগী ফৌবোম কয়া ঈশিং মনুংদা লুপখিদুনা মতোন চোংখৎলকপা য়াওনরে। করিনোনে অসুক্কী মতিক মীয়াম্মু ৱাহনবা চহী অসিবো। ঐ ইশামকসু চহী অসি হৌরকপদা ৱিশ তৌজখিবনি - ‘হেপ্পি ন্যু য়র’ ৱাবু হায়বা ‘ভেরি ভেরি হেপ্পী এন্দ প্রোসপরস ন্যু য়র’ অদুগদি চহী হৌরকখিবা থা ৩ ফাদ্রিঙৈদগী মমৈ মকোক খঙদনা হেক্তা নৈখৎলকপগী ৱানি। কোটি কুম্থ্রা তরুক-তরেৎ-নিপান হেনবগী লাই ফত্তবা পতাল লমদগী থাদোরকপা মহীক বস্তু নঙদা হেক তূম্না মাঙখ্রোকো।

অসুম্মাইনা শুম পোথাবোই করিওই মীয়ামদা পাউদমজগে খল্লি তাল্লক অসিদা শুমাং অমত্তদা পুল্লগা লৈমিন্নবা ঐগী কজিন মণিপুর পুলিসতা থবক তৌবা মাগী নুপী ইনাওনুপীদু হোস্পিটালদা চৎপদা ডোক্টরনা লায়েংদ্রিঙৈদা টেষ্ট হান্না তৌবদা পোজিটিভ ওইরকপগী ৱানি। ইনাওনুপী অদু হৌজিক মাগী তোঙানবা কাদা ক্বারন্টিন তৌরগা লৈরি। মহাক য়াম্না শাওখি, হৌজিকসু শাওরি। মহাক্না হায়, “লোকসু থুংদবা, খনাওসু নাদবা, লাইহৌ মচেৎ অমফাও তৌদবা, থবাক্তা করিদা শ্বর হোনবদা করিমত্তা অৱাবা লৈতবা, অক-হু হায়দনা লোকসু খুদবা ঐবু নারে হায়দনা ঐদা নত্তনা ইঙ্খোলনুংগী মীয়াম্মুসু ৱাহল্লে।” নুমিৎ ৫নিদি ফাখ্রে। মীওই ৪৪ পূন্না লৈমিন্নবা ঐখোয়গী ইঙ্খোলনুংদা থোঙ্গালদা থৌরি তিংবীদুনা ক্লবনা মাইক্তা লাউথোকপীদুনা ঙসিসু জেলদা লৈবা বন্দিগুম থম্বীরি। নারে হায়বীরিবা পুলিস ইনাওনুপীদুসু শাথীখ্রবা জাৎনি, মচিং অমনি। ঐবুদি মাগী কা-দা চঙলুবা য়াদবনিনা উদ্রেকো। হায়বদি হায়নৈ ইমুংগী মীওইশিংনা ‘হেরা মৱা লৌদে কোরোনানা নারে কায়দনা মৱা লৌদে’ হায়দুনা হৌজিক ফাওবদা গুলি মচা পিকত্রু অমফাওবা চাদ্রি। ●

# কোভিদ-১৯না ওইহল্লকপা অমাঙ-অতোংশিং - ১৪

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

করিগুম্বা মতমদা মশক মশা খঙনদবা পুলিসকী গাড়ী লাক্লগনা চেক তৌবগা লোয়ননা মখোয়দগী থক্লবা লিক্লি খরা লৌরগা পুলিসশিংদুনা ঙহাক ঙাইরগা নহাশিংদু মখোয় মশাগী গাড়ীশিং থৌহনখ্রবা মতুংদা পুলিসশিং চৎখিবসু অদুম য়াওদবা নত্তে। অদুবু পুলিসশিংনসু ফূবমক্তি ফূবা উদে। লুরিবদি- নহাশিংদু পুলিস কিবা লৈতে, অহিং থেংনা ময়ূমশিংদা হঞ্জিনবদা মমা-মপা/ময়াম্বা-মতৈমশিংনা করি হায়রমগদগে থোইনা খন্দবা মাল্লি। মরমদি মফম অমদা নৎত্রগা অমদা অহিং অথেংবদা হঞ্জিনবসি মখোয়গী রুটিন ৱার্ক ওইরমগদবা মাল্লি। নাকল অমরোমদা, নহাশিংনি নোংমা ফাদোকসু মখোয় পূনবা য়ারিঙৈ মতমদা থেংলবদা নুমিদাংগী পুং ১০ ফাওবা পুল্লগা ময়ূম-ময়ূমদা হঞ্জিন্নরবদি ফত্তেমক্তি হায়রোই। অহিংদা থেংনা লৈবদা মতম মাঙহনবতা নত্তনা নোংঙানবদা অয়ূক্কী ৱাকিং চৎনবা কয়ানা তৌরিবসুমাইনা তৌবসু শুকওই ওইথোক্লরোই। খরা লৈরগদি চওখৎপগী লায়না লিভর সিরোসিসনা চহী নৌনা পুন্সি লোমখিগদবদু ওইহন্নীংদবদগী অহল ওইবা ঐখোয়না তৌহন্নীংদবগী ৱাখল্লোনসিনি মীয়ামদা/মরী লৈনবা মমা-মপা ওইবশিংগী মফমদা থমজরিবদি।

কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) না মালেমগী মফম শিন্থুংনা হায়নীংঙাই লৈতনা মাঙহনখ্রবসু খুন্নাইসিগী ওইনদি খরসু য়াওই হায়বা তাই। কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ শনে দারক্ত্রিঙৈদা নুমিদাং খুদিংগী লৈকায় অয়াম্বদা লম্বীগী মৈ থাল্লিবদুগী মরুম খরা তাবা লম্বীগী নাকলদা চহী ৪০ খরা হেনবা ফাওবগী নুপাশিং মখোয় ৪/৫ হৌনরগা নুংতিগী পুল্লগা থকপা-চাবা মসিমা শোয়দ্রবনি। ৱারক চেৎপা ইমুং খরগী অহল-লমনশিং অমদি নুপাশিংনা হৌজিক খুন্নাইদা কন্না তৌনরক্লিবা মীওইবা খুন্নাইগী লাইচৎ অসিদা য়াওদনবা চেকশিঞ্জবা নত্তনা ফত্তে হায়রুবা য়াবপোৎ নত্তে হায়নবসু কয়ানি। নুপা মরক্তা মৌশিং - য়ূম পুরিবী কয়া অমা জ্বার শান্নবা য়াওবা লৈকায় কয়া শোয়দনা লৈরমগনি। ৱারেংসিগী লোইশিঞ্জরকপদা থমজনীংবা ৱাফম অমদি হান্না লম্বীগী মতাইশিংদা মমল অতাঙবা কারশিং থৌবা মতম মাঙহনবদা নত্তনা মশাগী হকচাং, লমচৎনচিংবা মাঙহনবদা নাচুংলমদবা কয়া অমা অহিং অথেংবা ফাওবা পুল্লম্বদু তোকখিবা; লম্বীগী মৈ মমবা মফমদা মীওই খরনা তৌরম্বা কয়া, জ্বার শান্নরম্বা কয়া তোক্লবা য়াওবসি মখা তানা মরী লৈনবশিংনা হন্দক কোভিদ-১৯না মী অমগা অমগা মিটর ১দগী তাদনা নকশিন্নবা য়াদে, লৌনগনবা অদুবু মশাগী হান্না অরুবা লায়না লৈতবশিংদদি অশি-অনাদি ওইহন্দবা লাইচৎ অমনি খঙলকপসি কোভিদ-১৯গী অচৌবা খুদোলনি হায়দবা য়ারোই। মরমবু চারবদি ফত্তবসু করিগুম্বা মতমদা অফবা ওইবসি কোভিদ-১৯নি।

কোভিদ-১৯ অমদি অতৈ লায়নাশিংদগী ঙাকথোক্লবা ইম্যুন সিষ্টম কনখৎহনবা : ডোক্টর অমদি অখঙ অহৈশিংনা হায়রি মদুদি অনাবগী মহিক/ভাইরসনা মখোয়গী খোঙদাবা নুংঙাইবদি ইম্যুন সিষ্টম শোনবা মীওইশিংদা নত্তনা শা-ঙা, মনা-মশিং-পাম্বীশিংদসুনি। শা-ঙা, মনা-মশিং-পাম্বীশিংদি ইম্যুন সিষ্টম কনবা-শোনবা হায়বদুদি মখোয় মশাদি খঙবা পোৎ নত্তে। অদুবু মীওইবা ঐখোয়দি মালেমদা লৈরিবা অতৈ থৱায় পানবশিংদগী অহেনবা লৌশিং লৈবনা, অওনবা (রিভোল্যুসন) মথং মথং লাকখিবদগী ঙসিগী মালেমগী মশক অসিদি দার্ৱিনগী থিওরি ওফ রিভোলুসনগী শরুক অমনি হায়বা য়াই। বাইওলোজিষ্ট, কেমিষ্ট, ফিজিক্সকী লম্দা থিজিল্লবা কয়া, সোসল সাইন্টিষ্ট কয়া অমগা অমগা খূৎশম্নবগী মথৌ তারকপা কয়া লৈরক্লি। মরমদি মী, শা-ঙা, মনা-মশিং-পাম্বী-শিংবীশিংগী মশাদা য়াওবা হকচাং কয়াৎশিং, সেলশিং, টিস্যুশিংদা য়াওবা অকূপ্পা পোৎশকশিং শেমগৎ শাগৎপদা কেমিষ্ট্রিগী ওইবা পোৎশক অমদি থৌওং কয়া য়াওরি হায়বসি থিজিল্লোয়শিংনা হেন্না খঙলিবমক্তনি। পোত্থোকশিং অসিবু কুপথনা থিজিল্লগা হেন্না মমুৎ তানা খঙনবা হোৎনবদা চঙবা মখল কয়াগী খূৎলায়শিংবু অমুক ফিজিসিষ্টশিংনা শারি। হৌজিক্কী মতমদনা সুপর কম্প্যুটর কয়া সাইন্টিষ্টশিংনা পুথোক্তুনা রিছার্সকী লম্দা হেন্না খুমাং চাওশিলহল্লি হায়বসি ইচম চম্বা মীওই কয়া অমা তোঙানবা হীরম (সবজেক্ট) কয়াদা দোক্টরেট দিগ্রি পায়রবা, পোষ্ট দোক্টরেট ওইরবা/তৌরিবশিংগা রেদিও অমদি টি ভি চেন্নেলগী ৱারী ৱাতাই শানবগী থৌরম কয়া তারুরগা খঙবা ঙমই।

লম কয়াদা থিজিন লৌশিং লৈরবা মীওইবনা মীওইবা ঐখোয়গা নক্লনা হিংমিন্নরিবা শা-ঙা, উচেক, উহৈ-ৱাহৈ মখল কয়া পীরিবা উপাল, ফৌ, গেহু-ওট-চুজাকনচিংবা চিঞ্জাক ওইনবা পীরিবা পাম্বীশিং, মনা-মশিং মখল কয়াশিংদা লায়না তীলনা, মহিক-মতাই, কোকফাই-শুজা, কৌজেং, তীল-কাংনচিংবনা শকওং কয়াদা মাঙহল্লিবশিং থেংননবা লৌউ-শিংউগী মরমদা থবক তৌরিবা সাইন্টিষ্টশিং/অখঙ-অহৈশিং অমদি হীরমসিদা চহী কয়াদগী হকথেংননা লৌউ-শিংউগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদগী লৌশিং ফংলক্লবশিংগা করিগুম্বা মতমদা রেদিওদা, টি ভিদা খন্ন-নৈনবগী ৱারী-ৱাতাই তৌবা, হীরম অমদা সবজেক্ট মেট্টর স্পেসিএলিষ্টশিংসু উৎতুনা (দিমোন্সত্রেসন তৌদুনা) তিনজেন লাইচেন্দনা চাথোক হেন্না পুথোক্লবা হোৎনরি হায়বসি হৌজিক্তদি খুন্নাইদা লোইনা খঙনরে।

হৌজিক্তা খ্বাইদগী মরু ওইরক্লিবদি মালেমগী অকোয়বগী ফীভমগা চুশিন্ননা মতিং লৈনা হিংবা ঙম্বদুনি। মসিগীদমক শা-ঙা, মনা-মশিংশিংবু ভেটিরিনরি ডোক্টরশিং/এক্সপার্টশিং, লৌউ-শিংউগী এক্সপার্টশিং, ফিসরিগী এক্সপার্টশিংনা চানবা মখলগী ভেক্সিন, পীথক্লবা মহী/পাওদর, মথৌ তাবা হারগী মখল/মচল, স্প্রে শীজিন্নরগা কাপ্লবা হীদাক মহিশিং, মপং ওইনা চায়নবা পোৎশক কয়া পুথোক্লরক্লিবসিনি। থিওরি ওফ রিভোল্যুসনগী মতুংইন্না অনৌ অনৌবা মহিক মতাই, হিংকুপ, ভাইরস, কোকফাই শুজানচিংবা কয়াসু হান্নগী মশাদগী মশক খরা ওল্লগা (ম্যুটেদ) তৌখিবসু কয়া য়াওরকপনা হান্না মখোয়শিংবু মাঙহনবা ঙম্বা হীদাক মখলশিংদগী রেসিষ্টেন্ট (হীদাক চংদবা) ওইরক্লে হয়বসিনি। শাহৌ ফনা লায়না তীলনা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবা মীওইবা ঐখোয়গা নক্লনা তোৎন-তিন্ননা লৈরিবা অতৈ থৱায় পানবশিংদদি অখঙ অহৈ ওইরিবা মীওইনা মথৌ তাবশিং তৌদুনা মখোয়শিংদুদা ইম্যুন সিষ্টম কনখৎহন্নবা লেপ্তুনা হোৎনরি। নাকল অমরোমদা অমুক, মীওইবগা অদুক হাক্লা তোৎন-তিন্নদবা লমলক্কী শা-ঙা-উচেক, মনা-মশিং, উপাল-ৱাপাল ফজনা হিংবা ঙল্লিবসিনা তাকপদি লমলক্তা লৈবা/হৌবশিংসিদি মশা মশাগী ইম্যুন সিষ্টম কলম্বা য়াই হায়না লৌফম থোকই। মসিগা হায়ফেৎ মান্নবা মওংদা থমজনীংলিবা ৱাফম খরদি - অহানবদা, ৱাখল তাদবশিং; য়েংশিনবীনবা কনা অমত্তা লৈত্রবা/লৈত্রবী অঙাং (নুপামচা-নুপীমচা), অহল ওইরপ তৌবা খরসু খুন্নাইদা লৈরিবশিংসি চাবা থকপা মথোং মরম খঙদবা, অমোৎ অকায়, ফত্ত-হৌদি ওইনা হুন্দোকপদা য়াওবা চাক-এঞ্জাং, হৈ-রা, চাবা য়াবা পোৎ, লম্বীদা তারম্বা/হুন্দোক্লম্বা চাবা য়াই খনবা পোৎশক খরা ফংলগা চাবা- ফংদ্রগনা শুকচা চাদনা শিদ্রিফাওবা চহী ফনা কুইনা হিংলম্বা/হিংলিবা অদুম থেংনৈ। থোইদোক্লা মখোয়গী মশাদা নাবগী খুদম থোয়না উবা ফংদবসি মরু ওইনা চাবা ফংদবা/চাবা ৱাৎপদগী শিবা ওইগনি হায়না থমজনীংই। কনাগুম্বা অমনা ফজনা চানবা চাক, চাবা য়াবা পোৎশিং পীরবসু চাও থকউ হায়বদা চাদবসু অদুম য়াওই। হৌজিক মালেমগী ওইনা শাথীরে হায়রিবা কোভিদ-১৯ সিনদি মশাগীদমক চাবদা থকপদা, লূ-নাননবা হোৎনরিবা ইনাক খুনবা/লায়রবা হায়বা খায়দনা কোরোনাগী লায়না লাইচৎসিনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইনরকপদগী মীপাইনরিবা মতমসিদা মখোয়শিংদি চাদবা-চেকশিন্দবা মরম কয়া ওইরবসু মশাদা থোকইদোক্লা অনা-অয়েক য়াওদুনা মশা শোন্থবা উদে। অদু ওইরবদি লৈঙাক্কী ওইনা/লায়না লাইচৎসিগী থিজিল্লোই অমা ওইনা হায়রিবা মীওইশিংসিগী মশাদা য়াওরিবা ইম্যুন সিষ্টমসি কমদৌনা কল্লিবনো হায়বসি থিজিল্লবদি অহেনবা লৌশিং কয়া থিজিল্লোইশিংনা ফংবা ঙমগদ্রা খঞ্জে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।